## ঙসি অয়ুক হাখিবা য়ুহারনা মণিপুরগী মফম কয়াদা অশোক-অপন নঙহনখিবা মফমশিং




লম্ফেলদা লৈবা ফিসরি ওফিসকী ভি দি এফ আউট পোষ্ট পিল্লর নিংখায়খিবা (ওই) অতেক-অকাই নঙখ্রবা যুম




চেম্বর ওফ কন্মর্সকী ক্রেক চৎখিবা ফক্লাং (ওই) ইম্ফালগী টেলিফোন ভবনগী চৎখিবা ক্রেক




নিংখাইখ্রবা সাইকুল বজার (ওই) যুম অমদা ওইখিবা শক্তম অমদি অশোক-অপন নঙলবা (মখা)










# মোইরাং শাইওন
# খম্বা – থোইবী

## কংলা ব্রায়েল

–সরাংথেম বরমনি
সাহিত্য ভুষণ

হান্নগী মখা...

চাউবদা শংত্রিক য়েংলগা ‘‘করি চাউবা করি। মপুনা খরা চাল্লগা নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বনি ঐ মঙাইরে মতাগুম থকসি কারন ব্রানাইদা, খাসি লিক্লেং শৈনাইদা, চিনয়াম য়াবা চিঙোয়নবদি ব্রতেম্বা ঙম্বা নিংথৌগী মনাও ইবুঙো চীংখু নহা তেলহৈবা ঐ হিংলি কাউবোইনা অঙম্বা’’ হায়রক্লে। ব্রাঙ্গোন নিংথৌগী ব্রাঙাংদু তাবদা চাউবা করেম্নবা মীনোক্লা ইশি শিনা নোক্তুনা, ‘‘অহাল ওইবসে ফজনিংঙাই লেমজনিংঙাই লৈতেদা। মিৎ নানাগা ফৎলক্তবনে ব্রাঙ্গোন নিংথৌনা তানা তানা খুম্বিরক্তবদুদা মী লৈবা ওইনা উজরুদ্রে। শুনু তৈবা ফক্লাংদা ঙাবা মচু শঙবা কংলাগী য়ুম্বী ওইরবোই নীংলুরে, ব্রারৌবিগনু’’ খুমদোরকই। ‘‘করি চাউবা ! নঙগুম্বনসু ঐবু উশিং থওইদনা পংঙাঙ ঙাঙবদি কেগে মোইরাং লৈবাক্তা লমহেন তুহেনবা অঙম অথৌশিংবু ব্রারক ব্রাতেম্বা ঙম্বা নিংথৌগী মনাও ব্রাঙ্গোন নিংথৌ এ হিংলি খক কাওরোইদবনি’’ হায়না অমুক্কসু হন্না হায়রক্লে। ব্রাঙ্গোন নিংথৌগী ব্রাদু চাউবগী মপুক্লিংদা করিসু নাচুংদে। ‘‘চুম্মী নিং থৌগী মনাও ইবুঙোনি ঐসু খঙজে। অদুবু মপুনা মপু ওইবগী থবক তৌরকত্রবদা মখা থাবা মনাইনা মপুদা করম্বা থৌগললোন উৎকদগে করম্বা ব্রাঙাঙ ঙাঙগদগে করি শাজৎ লিচৎ চৎকদগে নিংথিনা ময়েক শেঙনা খঙবা কেগে লৈবাক্কী ফম্নাইবা চাউবা নোংথোন ঐসু হিংলি ব্রাঙ্গোন নিংথৌনসু খক কাউবিরোইদবনি খুম্লক্লে চাউবসু। মাগী পাউখুমদা তাবদা ব্রাঙ্গোন নিংথৌদু শাউবনা মশা থক থক নিক্তুনা ঈ কারবা মমিৎ অনিদু চাউবদা চাগদবগুম শংত্রিক য়েংলগা ‘‘ করি চাউবা কৈ মচা লোইমচা। ননঙ্গন্দা তরা চেংকোক পুবগী চেংনম কোক্ত্রি, নরেংবান্দা নোইনি থুমপোৎ পুবগী পোৎপু মমি লৈরিবা মীনাই ফুবাল্লামচা নঙ ঙসি অঙাং ওননিংব্রা’’ হায়না নাকন্দগী মখুৎসু থাঙলেন শৎকদবগী থাঙখোক পায়রগা হৌগৎলকপদা চাউবসু ফমফমদগী হৌগৎলক্তুনা নাকন্দা য়াল্লিবা মখুৎসু থাঙদু শৎকদবগী মখুৎনা থাঙখোক পায়রে শৎপমক্তি শৎনদে। মপু মনাই অনিদো চারাম্নরবা পাম্বা কৈগী মতৌগুম অশাউবা মিৎয়েংনা মিৎফম হোংনদনা শংত্রিক য়েনদুনা লৈনরক্লে। মখোয় অনিগী মতৌদু উবদা ফমলম্বা ফৈরোইজাম্বদু হৌগৎতুনা তৌফম খঙদদুনা ঙকনা য়েংদুনা লৈরে। অসুম্না ঙাইহাক য়েংনরগা নেমথনরক্তুনা ব্রাঙ্গোন নিংথৌদু ফমফমদা হেক ফমথখিবগা চাউবনা মকোক নোল্লদুনা হঙ্গৎলকই। ‘‘শাউবিগনু ব্রাঙ্গোন নিংথৌ অদুম্না শাউশিন্নরগা কিদুনা হনগদবা চাউবা নত্তে। ননাইনা পায়জ রিবা থাঙশাঙ অসিসু অচম্বা লোক্তাক্তগী পেকপা লৈখোম্না শাবা ফজনবা পায়বা লৈতেং থাঙ নত্তে। মপুগী তুংইন্না থৌগল ফংবদা মতিক মাপা চারবা হুয়েল থাঙ্কক শোয়ফদ্রবা ইনিংথৌনা পীবা মপা থাঙনি।’’ অকিবা লৈতবা চাউবগী মথৌনা, মরিক চুম্বা পাউখুমদু তাবদা ব্রাঙ্গোন নিংথৌদো ব্রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা মরু লুক্তুনা লৈখি। মৈতোল নেৎলবা তাংজ লিনগী মতৌগুম অশাউবনা মাঙ ওইনরবা চাউবনা মখা তানা অমুক হঙ্গৎলকই। হৌজিক ব্রাঙ্গোন নিংথৌনা ননাইদা তাকপীখিবা ব্রাফমশিংদু অচুম্বা ঙাক্তনি ননাই চাউবা এদি অঙোম শাগৈদা পোকচরবসু মতম খরা ফুবাল্লাদা নিংথৌগী ফৌকৈ পান্নদুনা লৈরুবনা কৈমচা লোইমচানি ইনঙ্গন্দা তরা চেংকোক পুবগী চেংনম কোক্ত্রি, নোইনি থুমপোৎ পুবগী লেংবান্দা পোৎপু মমি লৈরিবা মীনাই মচানি তাকপীখিবদু ইতিক ইপা চায় শাউজদে। অদুবু করিসু লৈত্রবা মীনাই ঐনা থোনবা মমল য়াম্লবা কব্রং মুকি মুগানা শাবা চরৈ নমথাং নিংথৌফি শেৎ-চাদুনা মীয়ামঙদা ইকায়বা ঙাকপীরিবদুসু খক কাউবিগনু ব্রাঙ্গোন নিংথৌ। অসি হায়রম্লগা চাউবা মফমদা ফমথখি। শাউনিংবা ব্রাদু তাবদা অমুক অশাউবা মায়থোংগা লোয়ননা মমায় হায়গৎলক্তুনা চাউববু চাগদবগুম খানা য়েংলগা হং লকই। ‘‘করি চাউবা, ঐনা শেৎলিবা ইল্লিবা কব্রং মুকি মুগানা শাবা মমল য়াম্লবা ফিজোল অসিসুনহাক্লা থোনবনি হায়বা ?’’ ‘মানি, ব্রাঙ্গোন নিংথৌদা নত্তনা নয়াম্বুং ইবুঙো ইনিংথৌ নতৈমা শঙ্গাই ঙানবী মঙা, মনাও ইবেম্মা তরামাথোই, নমোম ইবেম্মা থোইবী অসিদসু নত্তনা লৈবাক্কী ফম্নাইবা অঙম-অথৌশিংনা শেৎলি ইল্লিবা কব্রং মুকি মুগানা শাবা মনাফি পুম্নমক ইরলগা লৈদুনা থোনবা নৎত্রবসু চাউবা ঐগী ইরৌশিং ইথৌননা থোনবনি’ হায়বদা থোইদোক্লা হায়মনবা থোক্লোই। অসুম্না থৌনা ফনা খুম্মকপা চাউবগী ব্রাদু তাবদা ব্রাঙ্গোন নিংথৌদো ইকায়বনা মায়থোং খেগুম লাংশিনখি, শাউনিংবা চিনবান থক-খা কংলে ফম্বা ঙম্লকত্রে। মথং..মথং..